**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 10-03-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১০-০৩-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-রাজ্য অসিগী লন্থী থোংগী ফিভম নিংথিনা ফগৎহনবা হায়বসি সরকার অসিগী মরুওইবা পান্দমনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমা ফারে, মতম লোইরবা ভিজা পায়রম্বা ঘানাগী মীওই অমসু ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিগী হকশেলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে।

----

**খেমচান্দ(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-রাজ্য অসিগী লন্থী থোংগী ফিভম নিংথিনা ফগৎহনবা হায়বসি সরকার অসিগী মরুওইবা পান্দমনি। মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা পি.এম.জি.এস.ৱাইগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ঙরাং মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা

কুপা খন্নখি। মীফম অদুদা, উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা শরুক য়াখি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-লন্বী থোংগী ফিভম ফগৎহনদুনা মফম অমগা মফম অমগা ইরাই লাইনা চত্থোক চৎশিন য়াহনবা হায়বসি সরকার অসিনা পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা য়ামা মরুওইবা থবক অমনি। লন্বী থোং নিংথিনা ফরবতদা মীয়ামা হকশেলগী খুদোংচাবসু লাইনা ফংবা ঙমগনি। মরম অদুনা, খ্বাইদগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম য়ৌনা লন্বী থোংগী ফিভম ফগৎহনবগা লোয়ননা হকশেল, শিক্ষা অমসুং কৈথেলনচিংবগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসি সরকারগী তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমনি। মসিনা মীয়ামগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহনগনি হায়নসু শ্রী খেমচান্দনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চত্থরি। আইন কাইবা থবক তৌবা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎলি।

মণিপুর পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়-পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসননা কোনবা খুরাই থোঙাম লৈকাইদগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইয়রপোর্টতা পেসেঞ্জরশিং চেক তৌবদা মতম লোইরবা ভিজা পায়রম্বা ঘানা মচা অমা ফারে। মঙোন্দগী পান কার্দ অমা, অধার কার্দ অমা, মোবাই ফোন অমা অমসুং রিপব্লিক ওফ ঘানানা পীবা পাসপোর্ট অমা ফংলে। মহাক্কী মথক্তা ফোরেইনরস এক্টকী মখাদা আইনগী ওইবা থবক চত্থনবা এফ.আই.আর লৌখৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেক পোইন্ট ১১৫ হাংদোক্লুনা অচৎ অওকশিং চেক

তৌবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। নেসনেল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ থন্না য়াওরবা গারি ২১৮ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল্লোমদা পুথোরকখ্রে। লম্বী অসিদা অশোই অঙাম থোক্তনা গারি চথোক চৎশিন য়াহন্নবগীদমক চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী কনভোইশিং থম্লে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিগী হকশেলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে। বদজেট পুথোকখ্রবা মতুংদা পাঙথোকপা ৱেবিনর অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সরকারনা মীয়ামগীদমক তৌগনি হায়না লেপখিবা থবকশিং অদুগী শেনফম বদজেটতা নিংথিনা হাপ্লে। বদজেট অসিদা থোইদোকা খন্নবগী তঙাইফদবা লৈত্রে। মসিদি মীয়ামগী অপাম্বা কয়া থুংহনবা ঙমগদবা বদজেটনি। লৈবাক অসিগী হকশেলগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক সরকারনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে। হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী জিলা কয়াদা মেদিকেল কোলেজ কয়া নৌনা হাংদোকখ্রে। লৈবাক অসিগী খুঙ্গং কয়াদা খুঞ্জাশিংগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং-অয়ুসমান ভারত, অরোগ্যা মন্দিরনচিংবগী খুত্থাংদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। লৈবাক অসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা য়োগা অমসুং অয়ুর্বেদাবু মালেম শিনবা থুংনা খঙনরক্লে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী নহা লাক্ষ কয়ামরুম থবক পীননবা অমদি মশানা মশাবু শেম্হোক লৈহন্নবা স্কিলদা য়ুমফম ওইবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে। লৈবাক অসিগী নুপী কয়া তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়াবা হেনগৎলক্লি। মখোয়বু চপ মান্নবা চাকথুং ফংহন্নবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

**জয়সঙ্করঃ** মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করনা হায়রি- নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি সরকারনা কুপা য়েংশিল্লি। মসিদা ভারত করি থৌরাং পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু মরী লৈনবা মন্ত্রালয়শিংগা কুপা খন্নরি। নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা রাজ্য সভাদা মহাক্কী ওইবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা ডা.জয়সঙ্করনা হায়-ফিভম অদু য়েংলগা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতি অমসুং নাগরিকশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অমদি মখোয়বু ঙাক শেন্নবা সরকারনা চপ চাবা থবক লৌখৎলি। নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ইরাং অসি হন্থহন্নবগীদমক রাজনিতি অমদি কুৎনিতিগী ওইবা ৱারি শান্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাকা ফোঙদোকখি। ওইরক্লিবা ফিভম অদু কুপা য়েংশিন্নবা অমসুং মীয়ামা খংনিংবা কয়া হকথেংননা হংলকপা য়ানবা সরকারনা অখন্নবা কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোক্কুনা থল্লে। মফম অদুদগী ভারত মচা কয়াসু অশোই অঙাম য়াওদনা হল্লক্লে।

**তামিল নাদুঃ** রাজ্য সভাগী অহাংবা সিট ৬ কীদমক তামিল নাদুগী কেন্দিদেট ৬ লম্বা য়াওদনা খনখ্রে। তামিল নাদু বিধান সভাগী পাউনা হায়-লম্বা য়াওদনা খল্লবা কেন্দিদেটশিং অদু দি.এম.কেদগী ২, আই.এম.সি, দি.এম.দি.কে, এ.আই.এ.দি.এম.কে অমসুং পত্তালি মকাল কাচিগী অমমমনি।

**ইরানঃ** ইরানদা মোস্তাবা খামেনিবু লৈবাক অদুগী অনৌবা সুপ্রিম লিদর হেক খনখিবা পুং খরা লৈরগা ইরাননা ইজরেল অমসুং গল্ফ লমদমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মিসাইল অমসুং দ্রোন এত্তেক্ট কয়া চথখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা নোংচুপ এসিয়াদা ইরাং হেন্না কনশিল্লে। ইরাননা মিসাইল অমদি দ্রোন এত্তেক্ট কয়া চথরকপদগী তেল অবিব অমসুং হাইফা য়াওনা ইজরেলগী মরুওইবা সহরশিংদা সাইরেন কয়া খোংদুনা মীয়াম্বু চেকশিন্না লৈনবা থবকশিং পায়খৎখি। ইজরেলগী ওথোরিতিগী পাউনা হায়-ইরাননা চথরকপা এত্তেক্ট

অদুদা নুপী অমা য়াওনা মীওই খরা অশোক অপন নংখি। নৌনা মিসাইল অমসুং দ্রোন এত্তেক্ট চগ্থরকপা অদু থেংননবা গল্ফ লৈবাকশিংনা মখোয়গী দিফেন্সকী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলে।

মরক অসিদা, নোংচুপ থংবা এসিয়া লৈবাকশিংগী ওইনা সেন্ত্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন(সি.বি.এস.ঈ)না লৌবা ক্লাস তুয়েল্ব পরিক্ষাগী থা অসিগী ১২ অমসুং ১৬ তা পাঙথোক্কদবা পরিক্ষাশিং য়ৈথোকখ্রে। সি.বি.এস.ঈনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-নোংচুপ এসিয়া লৈবাকশিংদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা পরিক্ষাশিং অসি য়ৈথোকবা ৱারেপ লৌখিবনি। মসি পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংগী পুকিং ৱাখলদা শাফু পীদনবা লৌখৎপা খোঙথাংনি। সি.বি.এস.ঈনা ফিভম অসি থাংজ নুমিত্তা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা অমুক হন্না য়েংশিনখিগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চিফ মিনিষ্টরনা শেনবা চহী ইং ২০২৬-২৭কী লূপা কোতি লিশিং ৩০,৩৫৬কী বদজেট পুথোকখ্রে হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি - সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক, মণিপুর মেল, হুইয়েন লানপাউ, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস অমসুং তামেংলোং তাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

কুকি জো এম.এল.এ ৬ ভর্চ্যুএল ওইনা ১২ শুবা বিধান সভা মীফমদা শরুক য়াখি হায়বা পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন অমসুং মণিপুর মেলদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

১২শুবা মণিপুর লেজিস্লেতিভ এশেমব্লিগী ৭ শুবা সেসন মখা চগ্থবা হৌখ্রে, লাক্লিবা এপ্রিল ১ দগী হৌগদবা ইং ২০২৬-২৭কী দিফিজিট বদজেট এস্তিমেট পুথোকখ্রে হায়বা পাউনা- সনালৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন

তৌরি।

ডা.মনমোহন সিংহ লৈখিদবসি লৈবাক অসিগী অচৌবা মাংজবা অমনি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি এন.বিরেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা- হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙবা থেংনরি।

দেল্লিদা মণিপুরী নুপীদা ফুরকপদা চেন্নবা মাইনরস মরি ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়বা পাউনা- দ পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরি।

ঐখোয়গী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবা লৈত্রগদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌরগসু সোল্যুসন পুরকপা ঙম্লোই হায়না ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা- নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ৩ শুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২৬ মনিপুরদা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অমা পাডচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙবা থেংনরি।

এম.এল.এ.কে.রঞ্জিৎ দিপ্যুতি সি.এল.পি লিদরদগী রিজাইন তৌখ্রে হায়বা পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং দিষ্ট্রিক্ট ফিসরি ওফিসনা শিন্দুনা এস.টি ফিসরমেনগা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসুং দেল্লিদা চথখিবা থৌদোক অদুদা ফারবা জ্বিনাইল মরিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়না সি.এম সংমানা হায়খ্রে হায়বা পাউনা- গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--- পাউ লোইজরে ---**